## বি জে পি লৈঙাক্লা ইন্দিয়াবু চাওখৎ মনিং হলহল্লে

লক্ষনৌ, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী ইকোনোমিগী ফীভম কা হেন্না শোকচিনখ্রে হায়না সমাজ ৱাদি পার্টিগী চীফ অখিলেস য়াদবনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না বি জে পিবু দেল্লিদগী তান্থোকখ্রসি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা হৌজিক হৌজিক ইনাকখুনবা মীওইশিংগী য়েংলগা থবক তৌরি। অদুগা মীয়াম মরক্তা নুংশিনহন্দনবা পোলিসসি কয়া চথরি। বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদা থবক ফংদবা অমসুং লায়রবা মীগী মশিং কা হেন্না হেনগৎলকখ্রে। ইনাকখুনবশিংনা নোংমা নোংমগী নুংঙাইবা হেনগৎলক্লবসু লাইরবশিংদি চাবা ফংদবনা মরম ওইরগা লন্থীদা শিদুনা তারম্বগী থৌদোক ফাওবা থোকপা হৌরক্লে। মরম অদুনা অসিগুম্বা লন্নায় মীওই খরা খক্কী খল্লগা থবক তৌবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পারা তন্থীবগী মতম ওইরে হায়রি।

## কাস্মিরি পন্দিতশিংনা ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীগা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে

সম্বা, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা হৌজিক হৌজিক চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা কাস্মিরি পন্দিত কয়ানা শরুক য়াদুনা রাহুল গান্ধীদা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাউদমখিবগা লোয়ননা রাহুল গান্ধীবু কাস্মিরি পন্দিতশিংনা খুন্দাদুনা লৈরিবা মফমশিংদা লাক্কুনা য়েংশিনবীনবা হায়জখ্রে হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা সোসল এক্টিভিষ্ট অমিট কোরনা ফোঙদোকখিবদা জম্মু-স্রিনগর নেসনল হায়ৱেদা লৈবা কাস্মিরি পন্দিতশিংনা নম্না খুন্দাবা জগটি টাউনদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী ভিজিট তৌরক্নবা হায়জখ্রে। কাস্মির তান্না চৎপগী লন্থীদা লৈরিবা মফম অসিদা রাহুল গান্ধী মশা লাক্কুনা য়েংশিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে। যু পি এ গভর্ণমেন্টনা সেন্টরদা লৈরিঙৈ মতমদা জম্মু অমসুং কাস্মিরদা লৈরিবা কাস্মিরি পন্দিত কয়াদা গভর্ণমেন্টগী ওইবা থবকশিং পীরমখি। অদুবু সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং কাস্মিরি পন্দিত কয়াগী থাগী ফংফম থোকপা তোলোপ ফংবা ঙমদনা লৈরি। জম্মুগী ওইনা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংনা তোলোপ ফংলক্তবা থা ৬ হেল্লে। মসিগী মতাংদা মতম শাংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি। কাস্মিরি মাইগ্রেইন্ট পন্দিত ৪০০০ রোম তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরি। অদুবু হায়রিবা ইমপ্লোয়িশিং অসিগী ফীভম হৌজিক তম্বা ঙমদবা মওংদা লাক্লে। লালহৌবশিংনা কাস্মিরদা কাস্মিরি পন্দিত অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্টগী থবক তৌবা মাইগ্রেইন্ট পন্দিত কয়া জম্মুদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। লালহৌবশিংনা কাস্মিরি পন্দিতশিংদা টার্গেট তৌদুনা টেররগী ওইবা থবক থৌওং কয়া চথনবা শেম শারে হায়না মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রবসু ঙসি ফাওবদা কাস্মিরি পন্দিতশিংগী সিক্যুরিটিগীদমক থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রি।

অমরোমদা, ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা জিতেন্দ্র কচ্রু কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা কাস্মিরদা থোক্লিবা টেররগী ওইবা থৌওংশিং কিবদগী মহাক য়ু পিদা চৎতুনা লৈখিবনি। রাহুল গান্ধীগা উন্নবগীদমক মহাক য়ু পিদগী অমুক হন্না কাস্মিরদা লাক্কুনা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ারখিবনি হায়রি।



## 'কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা মধ্য প্রদেশকী লম্বীশিং য়ু এসকা মান্নবা শেমগৎকনি'

ওরচা, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : মধ্য প্রদেশতা ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা তোঙান তোঙানবা লম্বীগী প্রোজেক্ট কয়া লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা মধ্য প্রদেশকী লম্বী থোংশিং য়ু এসকা মান্নবা মওংদা শেমগৎকনি হায়রি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গদকারিনা ফোঙদোকখিবদা, মধ্য প্রদেশকী লম্বী থোংশিং মপুং ফানা শেমগৎনবগীদমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা লুপা ক্রোর লিশিং ৪০ রোম ইনভেষ্ট তৌখ্রে। মদুগী মনুংদা লুপা ক্রোর ২৫ রোমগী ওইবা থবক শুবা লোয়শিল্লক্লে। কুমজা ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা মধ্য প্রদেশকী লম্বী থোংশিং য়ু এসকী থাক্তা পুখৎপা হায়বসি মহাক্কী পান্দমনি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাঙশিল্লবদি শোয়দনমক্কী মায় পাকপা ঙমগনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেট খুদিংমক্কী লম্বী থোং ফগৎহন্নবা পান্দমদা য়াল্লবা শেনফমশিং কায়থোক্তুনা থল্লি। লৈবাক অমা মপুং ফানা চাওখৎলক্নবা হোৎনবদা লৈবাক অদুগী মনুংদা লৈরিবা লম্বী থোংগী ফীভম হান্না ফগৎহনবা হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মিৎয়েংনি। সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং হীরম কয়াদা চাওখৎপা পুরকপা ঙমখ্রে। মমাঙ মতমদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংনা লৈবাক অসিগী লম্বী থোং অমদি চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবকশিংদা কা হেন্না পুক্নিং চঙলমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অসি চাওখৎ মনিং হল্লমখিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা চাওনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বসি খুদিংমক্না য়ান্নরবা ৱাফম অমনি। ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিং পুনশিন্দুনা বি জে পি মায়থিবা পীনবা হোৎনরিবা অদু অরেম্বনি। মরমদি ষ্টেট ষ্টেটশিংগী ওইনা পাঙথোকখিবা অমদি পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলশিংদা ওপোজিসনশিংনা ঙসি ফাওবদা পুনশিন্নদুনা থবক তৌবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পি মায়থিবা পীবা কৈদৌনুংদা ঙম্লোই হায়রি।



## মুম্বাই সিভিক পোলদা ভি বি এগা পুন্না চৎমিন্নরগনি ঃ থাক্রে

নাগপুর, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : মহারাষ্ট্রগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা সিভিক পোলদা অহানবা ওইনা সিভ সেনা (উধব বালাসাহেব থাক্রে) না প্রকাশ অম্বেদকরগী ভনচিত বহুজান অঘাদি (ভি বি এ) গা পুন্না চৎমিন্নরগনি হায়না মহারাষ্টগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা উধব থাক্রেনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু ইবিরম্বা ভিম রাও অম্বেদকরগী মশুনুপা প্রকাশ অম্বেদকরগী পার্টিগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা মতমদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। পার্টি অনী অসি পুন্না থবক তৌমিন্ননবা থা অনীরোমগী মমাঙদগী প্রকাশ অম্বেদকরগা ৱারী শানদুনা লাকখিবনি। প্রকাশ অম্বেদকরগী মায়কৈদগী সিভ সেনানা হৌদোকখিবা ৱাফম অদুবু তরাম্না ওক্লকখিবা থাগৎপা ফোঙদোকই। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পার্টি অনী অসি পুন্না চৎমিন্নবা মতম কয়াগী মমাঙদগী মঙজরকপা মঙলান অমনি। ঙসি ফোর্মেল ওইনা সিভ সেনা অমসুং ভি বি এ পুন্না চৎমিন্নরগনি হায়না লাউথোকপা অসিদা নুংঙাইবা পোকই হায়রি।

অমরোমদা, প্রকাশ অম্বেদকরনা সিভ সেনাগা পুন্না চৎমিন্নবগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা হায়খিবদা লৈবাক অসিদা পার্টি অনী অসিনা পুন্না চৎমিন্নবা হায়বসি অনৌবা পোলিটিক্সকী অনৌবা মায়ওন অমনি। ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ইসু কয়াগী মতুংদা ঐখোয়না খোঙজং কয়া চঙশিনবা হৌরগনি। ঐখোয়না চঙশিল্লিবা খোঙজং খুদিংমক মায় পাক্কনি হায়বা লৈতে। অদুবু ঐখোয় কৈদৌনুংদা নিংহন্নবা তৌরোয় হায়রি।



## থা অহুমগী মতুংদা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইসু তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৩০ দা গুজরাটকী মোর্বিদা লৈবা থোং তৎপগী থৌদোক্তা মীওই ১৩৫ শিহনখিবা অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা চথুরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী শরুক অমা ওইনা থোং অদুবু শেমজিন শাজিনবগী থবক চথুখিবা ওরেভা গ্রুপকী মপু ফানবা ৱারেন্ট ইসু তৌখ্রে হায়রি।

পুলিস দিপার্টমেন্টদগী ফংবা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মীওই ১৩৫ শিহনখিবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং থা ৩ রোম লৈরগা পুলিসনা ওরেভা গ্রুপকী চ্যেরমেন জেসুখ পটেল ফানবা ৱারেন্ট ইসু তৌরকখিবনি। থোং তৎপগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং ওরেভা গ্রুপকী চ্যেরমেন মফম খঙদনা লোৎখিবনি। ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী রিপোর্ট মতুংইন্না থোং অদু শেমজিনখিবা মতমদা শীজিন্নখিবা মচাকশিং অদু ক্বালিটি মেইনটেন তৌদবনা মরম ওইরগা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। ওরেভা গ্রুপনা থোং অদু শেমজিনখিবা মতমদা এক্সপার্ট এজেন্সীশিং অমত্তা তান্নখিবা লৈতে। মদুনা মরম ওইরগা শেম্বা লোয়দুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা নুমিৎতগী হৌরগা ৪ নি শুবা নুমিৎতা থোং অদু তৎখিবনি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি।

অমরোমদা, মোর্বি থোং তৎপগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা গুজরাট গভর্ণমেন্টদা মায়কৈ কয়াদগী মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা থোং তৎপগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা থোং তৎপগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই ৯ পুলিসনা ফাখ্রে। অদুবু হায়রিবা থৌদোক অসিদা মরুওইনা চেন্নে হায়রিবা জেসুখতি ফাবা ঙমদনা লাকখিবনি হায়রি।



## বিহারদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ৩ শিরে



সিৱান, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : বিহারগী সিৱান দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ভোপটপুর সব দিভিজননা কোনবা মফম অমদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ৩ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৭ লায়কন্নদুনা লৈরি হায়না মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ রোম তারকপদা সিৱানগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা মীওই ১০ পুখৎলকখি। মখোয়গী পুক্তা নাবা, ওনিংবা ফাওবা অমদি হৈনিংদবগী খুদমশিং থেংনরকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবনি। সিৱান হোস্পিটালদা মখোয় ১০ পুখৎলকখিবগী মনুংদা অমদি শিনা পুখৎলক্লে হায়না দোক্তরশিংনা ফোঙদোরকখিবনি। অদুগা অতোপ্পা অনীনা পটনা মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা মখা তানা ট্রিটমেন্ট চথনবগীদমক পুখৎলকপদা লৈখিদবনি। অতোপ্পা ৭ অমদি হৌজিকসু সিৱান দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরি। পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তগী বিহার দ্রাই ষ্টেট ওইনা লাউথোকখিবনি।

## চহী অনী স্কুল অমদা মহৈরোয় ১ দগী হেন্না লৈরমদবা থেংনরে

গনেসপুর, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : মহারাষ্ট্রগী মনুংচনবা গনেসপুর ভিলেজদা লৈবা স্কুল অমদা হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা শুপ্পন্তগী মহৈরোয় অমদগী হেন্না লৈরমদবা থেংনরে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না ৱাসিম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা গনেসপুর ভিলেজদা মীওই ১৫০ রোম লৈ। হায়রিবা মফম অসিদা গভর্ণমেন্ট স্কুল অমসু লৈ। অদুবু স্কুল অসিদা হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা মহৈরোয় অমখক্তমক লৈরমখিবনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জিলা পরিষদ প্রাইমারি স্কুল অসিদা ওজা ওইবা কিশ্বর মনকরনা ফোঙদোকখিবদা স্কুল অসিদা মহাক্না হৌখিবা চহী অনীরোম অসি তাকপী তম্বীদুনা লাক্লি। অদুবু স্কুল অসিদা শুপ্পন্তগী মহৈরোয় অমখক্তমক লৈ অদুগা ওজাসু মতোমতনি। অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ ফাওবা স্কুলগী ওইনা লৈজরিবা চৎন-কাঙলোনশিং খুদম ওইনা নেসনল এন্থেম মহৈরোয় অদুদা শকহল্লি। অমদি ক্লাস চাং নাইনা চথৈ হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৯৪ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৯৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৯৪ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮২,০১৫ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৯৩৪ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ২ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৩৫ লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি।

## য়ু এ ঈ গভর্ণমেন্টগী ওফিসল শারগা হোটেলগী বিল শেঙদোক্লমদনা চেনখিবা মীওই পুলিসনা ফারে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৩ (এজেন্সী) : য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকশিংগী মনুংচন্না মশানা মশাবু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস গভর্ণমেন্টগী ওফিসলনি হায়জবা মীওই অমনা লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা লৈবা মমিং লৈরবা হোটেল অমদা থা অহুমরোম লৈরম্লবা মতুং হোটেলগী বিল শেঙদোক্লমদনা চেনখিবা মীওই পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

দেল্লি পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না মুহমদ শরিফ (৪১) কৌবা মীওই অসিনা য়ু এ ঈ গভর্ণমেন্টগী ওফিসল শাদুনা দেল্লিদা লৈবা লিলা পেলেস হোটেলদা মমাঙ চহীদা থা ৩ রোম লৈরমখিবনি। মহাক কর্নাটাকাগী দক্ষিন কানাদাদগীনি। মহাক্না হোটেল অদুদা লৈরম্বগী অপুনবা বিলনা লুপা ২৩,৪৬,৪১৩ নি। থা ৩ রোম হোটেলদা লৈরম্লবা মতুং হোটেলগী ওথোরিটিশিং খঙহন্দনা মহাক তুমিন্না মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখিবনি। মদুগী মতুং থা অসিগী ১৪ দা মশানা মশাবু লিলা পেলেস হোটেলগী জেনরেল মেনেজরনি হায়জবা অনুপম দাস গুপ্তা কৌবা মীওই অমনা সরোজিনি নগর পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন তৌরকখিবনি। কমপ্লেন অদুগী মতুংইন্না দেল্লি পুলিসনা আই পি সীগী সেক্সন ৪১৯/৪২০/৩৮০ গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌরকখিবনি। মুহমদ শরিফ মমাঙ চহীগী নভেম্বর ২০ দা হোটেল অদু থাদোক্তুনা চেনখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা চথুরকখিবা থিহুম্বগী থবক্তা মুহমদ শরিফ থা অসিগী ১৯ দা দক্ষিন কানাদাদগী ফাবা ঙমখিবনি। মহাক ফারবা মতুং মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্তুনা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, একুইস ওইরিবা মীওই অসিনা শাশিন্নবা বিজিনেস কার্দ অমা শীজিন্নদুনা হোটেল অসিদা চঙলকখিবগা লোয়ননা মহাক মশা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস গভর্ণমেন্টগী মরুওইবা ওফিসল অমনি মশক তাকখিবগা লোয়ননা ওগষ্ট থাগী ১ দগী লিলা হোটেলদা লৈরকখিবনি হায়রি।




### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, - XIII

**Ref. : Mut. Case No. 8/AS&SO/XIII. Date: 23/01/2023**

1) Maibam Tomba Singh S/o M. Ibopishak Singh of Wangkhei Yonglan Leirak.
2) Maibam Sunil Singh S/o Ibopishak Singh of - do -

-Petitioners

-Vs-

1) Maibam Tomba Singh S/o M. Ibopishak Singh of Wangkhei Yonglan Leirak.
2) Maibam Sunil Singh S/o - do - of - do -
3) Maibam (O) Romashini Devi W/o Onachandra Singh of - do -

-OPP

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Imphal 23/1/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং. 27-Wangkhei Nongpok পাট্টা নং. 219 অরিবা 297 অনৌবা দাগ নং. 1148 এরিয়া .105 একর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার নং. Maibam (O) Romashini Devi মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইস্থোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 31/1/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer - XIII**

HL-P/5792/24



### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, - XIII, MANIPUR

**Ref. : Mut. Case No. 9/AS&SO/XIII. Date: 23/01/2023**

1. Kongbam Surendrakumar Meitei S/o (L) K. Ibohal Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.
2. - do - Sunil Singh S/o (L) - do - of - do -
3. - do - Dilipkumar Singh S/o (L) - do - of - do -

-Petitioners

-Vs-

1. (L) Kongbam Ibohal Singh S/o (L) Gulamjat Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.
2. Kongbam Shila Devi D/o Ibohal Meitei of Kwakeithel Nganapi Thong.
3. Kongbam Arunkumar Meitei S/o Ibohal Meitei of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal, Mamang Leikai. -OPP

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Imphal 23/1/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং. 27-Wangkhei Nongpok পাট্টা নং. 14, 240 অরিবা 119 অনৌবা দাগ নং. 1142 এরিয়া 0.174 একর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার নং. 1. Kongbam Ibohal Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইস্থোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 31/1/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-XIII, Manipur**

HL-P/5792/24



### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU

**Ref :- Mutation Case No. 16 of 2023**

App :-
1. Khumukcham Mani Devi W/o (L) Kh. Thagoijao Singh of Kakching Khunou.
2. - do - Iboyaima Singh S/o (L) Chaoba Singh of - do -

-Vs-

Opp :- (L) Khumukcham Thagoijao Singh S/o (L) Chaoba Singh of Kakching Khunou.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dated : 23/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৭৯-মহৌ পাট্টা নং ৮৬ (N) দাগ নং ১০০৮ এরিয়া ২.৮৪ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Sugnu**

HL-P/5788/24



### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, - XIII

**Ref. : Mut. Case No. 7/AS&SO/XIII. Date: 23/01/2023**

Haobam Jugeshwor Singh S/o (L) Shri Yaima Singh of Wangkhei Hijam Leirak. -Petitioner

-Vs-

(L) Haobam Yaima Singh S/o (L) Kalachand Singh of Wangkhei. -OPP

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Imphal 23/1/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং. 27-Wangkhei Nongpok পাট্টা নং. 32 অরিবা 507 অনৌবা দাগ নং. 2048 এরিয়া .12 একর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার নং. (L) Haobam Yaima Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইস্থোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 31/1/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer - XIII**

HL-P/5792/24



### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.

**Ref :- Mutation Case No. 12/SDC/IW(N) Sekmai of 2023**

Irungbam Noren Singh S/o (L) I. Apabi Singh of Loitang Leikinthabi. -Petitioner

-Vs-

(L) Irungbam Apabi Singh S/o (L) I. Angou Singh of Loitang Leikinthabi. -Pattadar

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Sekmai, the 23/1/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 42-Loitang Leikinthabi Under Patta No. 31 (Old) 5 (New) Covered by c.s. Dag No. 43 & 72 গী area (.31+.70) = 1.01 acres চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে, অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West North Sekmai**

HL-P/5793/24



### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG

**Ref :- Mutation Case No. 24 of 2023**

App :-
1. Khumukcham Mani Devi W/o (L) Kh. Thagoijao Singh of Kakching Khunou.
2. - do - Iboyaima Singh S/o (L) Chaoba Singh of Kakching Khunou.

-Vs-

Opp :- (L) Khumukcham Thagoijao Singh S/o (L) Chaoba Singh of Kakching Khunou.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dated : 23/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহসিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮০-ককচিং খুনৌ পাট্টা নং ১২১২ দাগ নং ১১২৫/১৬৪২, ১১২৪/১৬৪৩ এরিয়া .০৬, .২৬ = .৩২ একর চাওবা ইস্থোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকরিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong**

HL-P/5788/24